# "মীওইবগী হকচাংদা ফাইটোষ্টেরোল"

**ডো. লৈমপোকপম টিকেন্দ্র**


কার্দিও-ভাস্ক্যুলরগী লায়না অসি মালেম পুম্বদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শিগনবা লায়না অমনি। লায়নানা মরম ওইদুনা শিবশিংগী মনুংদা চাদা ৩০দি কার্দিও-ভাস্ক্যুলর দিজিজনা ওইরি। মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিহনবগী চাং হন্থরক্লবসু চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদদি শিবগী চাং অসি খঙবাং ৱাংখৎলক্লি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না চহী ২৫গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা চাদা ৩৯গী অপূনবা কোলেষ্টেরোলগী চাং অসি ১৯০mg/dLগী মথক্তা লৈ। অসিগুম্বা হায়পরকোলেষ্টেরোলেমিয়া অসি হীদাক-লাংথক কয়া হায়বদি ফর্মাকোলোজিকলগী ওইবা লায়েং পথাপ অসিগী মথক্তা নন-ফর্মাকোলোজিকল ওইবা লায়েং পথাপসু শাগোন্নহল্লি। মসিগী মনুং চনবা ওইনা ফাইটোষ্টেরোল চাবা অসিনা হায়পরকোলেষ্টেরোলেমিয়াবু লায়েংবদা মতেং ওই হায়না মালেমগী মেদিকল সোসাইটিশিংনা ফোঙদোক্লরি। ফাইটোষ্টেরোলশিং অসি চিঞ্জাক ওইনা চানরিবা মনা-মশিংদা য়াওবা বাইওএক্টিভ কম্পাউন্দশিংনি। মসি শা-ঙা চাবদগী ফংলিবা কোলেষ্টেরোলগা কেমিকেল ষ্ট্রকচর মান্নে। বিটা-সিটোষ্টেরোল, কেম্পেষ্টেরোল অমসুং ষ্টিগমাষ্টেরোল অসি চিঞ্জাক্তগী ফংবা পাম্বীগী মরু ওইবা ষ্টেরোলশিংনি অদুগা বিতা-সিটোষ্টেনোল অমসুং কেম্পেষ্টেনোলনা পাম্বীগী মরু ওইবা ষ্টেনোল মখলশিংনি।

ফাইটোষ্টেরোলনা লো দেনসিটি-লিপোপ্রোতিন কোলেষ্টেরোলবু ইন্টেষ্টাইনদগী চুপশিনহনবগী চাং অসি চাদা ৩০-৫০ হন্থহল্লি। টেবলদা পীরিবা নুমিৎ খুদিংগী

| Food sources of phytosterols | Quantity |
|---|---|
| Corn | 909 mg /100 mL |
| Sunflower | 411 mg/ 100 mL |
| Soybean | 320 mg/ 100 g |
| Olive | 300 mg/ 100 mL |
| Almonds | 183 mg/100 g |
| Wheat germ | 344 mg/ 100 g |
| Wheat bran | 200 mg/ 100 g |
| Passion fruit | 44 mg/100 g |
| Orange | 24 mg/ 100 g |
| Cauliflower | 40 mg/ 100 g |

চারিবা চিঞ্জাকশিংদগী ফংলিবা ফাইটোষ্টেরোলনা এল-ডি-এল কোলেষ্টেরোলবু নোংমদা চাওরাক্লা গ্রাম অনীগী চাং হন্থহনবদা য়াম্না ৱানা থোকই। মরম অসিনা ফাইটোষ্টেরোলগী চাং হেন্না য়াওহল্লবা চিঞ্জাকশিং চাবা তঙাই ফদ্রিবনি।

সিটোষ্টেরোল, ষ্টিগমাষ্টেরোল, ওগোষ্টেরোল অমসুং ব্রাসিকাষ্টেরোলনচিংবশিং অসি উচি অমসুং থেবশিংদা চুপশিনবা ঙমদে হায়না ইল্লিস অমসুং গার্দেনরগী থিজিনবা অমদা রিপোর্ট তৌই। অদুবু আইসোটোপস শীজিন্নদুনা থিজিনবা অমদদি মথক্তা পনখ্রিবা ষ্টেরোলশিং অসি য়াম্না নেম্বা চাংদা চূপশিনবা ঙম্মী হায়বা খঙবা ঙমখি। সালেন অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা সিটোষ্টেরোল গ্রাম ২৪০দগী ৩২০ ফাওবগী চাংদা মীওইবা খরদা পীজদুনা চাংয়েং তৌবদা চাদা ১.৫দগীনা চাদা ৫.০ ফাওবগী চাংদা চূপশিল্লি হায়না ফোঙদোকখি। অচা-থাও, লৈবাক হৱাই অমসুং মনা-মশিংশিংদা য়াওরিবা ফাইটোষ্টানোল হায়না খঙনরিবা সেচ্যুরেটেদ ফাইটোষ্টেরোলশিং অসি মীওইবগী হকচাংদা চূপশিনবা ঙম্বগী চাং চাদা ৯১গী চাংদা হন্থে। উচি, য়োং অমসুং মীওইশিংগী অমাং-অশোয়দগী এসিদিক মেটাবোলাইটসশিং ফংবা মরম্না চূপশিনখ্রিবা ফাইটোষ্টেরোলশিং অসি হকচাংদা খরমখৈদি মেটাবোলাইজ তৌই হায়বদু তাকই। রেদিওএক্টিভ লেভেল তৌদুনা ফাইটোষ্টেরোল অসিবু উচিগী শীংলিদা কাপশিন্দুনা চাংয়েং




তৌবদা উচিগী প্লাজমা অমসুং বাইল হায়না খঙনবা দাইজেসনদা মতেং পাংবা লিভরদগী থাদোরক্তুনা গোল ব্লেদরদা পৈশিনবা মহী মখল অসিদসু রেদিওএক্টিভ বাইল এসিদশিং য়াওবা থেংনখি। মসিগী থিজিনবশিং অসিদগী খঙবা ঙমখি মদুদি হকচাংদা সর্ক্যুলেট তৌরিবা ফাইটোষ্টেরোলশিং অসি এসিদিক প্রদক্টশিং ওইনা মেটাবোলাইজ তৌই। পিটরসন অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা থিজিনবা অমদা কোলেষ্টেরোল ৱাংহন্দুনা থম্লবা য়েনশিংদা নূঙ হৱাইদা য়াওবা ষ্টেরোলশিংনা প্লাজমা অমসুং লিভরদা কোলেষ্টেরোলগী চাং নমথবা ঙম্বগা লোয়ননা শীংলিদা এবনোর্মেল ওইরকপগী লায়না হায়বদি atherosclerotic lesion গী খুদোংথীবগী চাংসু হন্থহনবা ঙম্মী হায়বা খঙবা ঙমখি । রিসর্সর পোল্লাকনসু কুমজা ১৯৫৩দা মনা-মশিংদা য়াওবা ষ্টেরোলশিংনা মীওইবগী প্লাজমাদা য়াওবা কোলেষ্টেরোলগী চাংবু শীংথানবা য়াবা চাংদা হন্থহনবা ঙম্মী হায়না থিজিনবা অমদা খঙবা ঙমখি। তোঙান তোঙানবা থিজিনবা কয়াদসু মশা-মউ ফবা মীওইশিংদা মনা-মশিংদগী ফংবা ষ্টেরোলশিং হাপ্তা অনীদগী মঙা ফাওবগী মতমদা গ্রাম তরাদগীনা তরাহুমদোই ফাওবগী চাংদা পীজবা মতমদা প্লাজমাদা য়াওবা কোলেষ্টেরোলগী চাং অসি চাদা কুন হন্থহনবা ঙম্মী হায়বা খঙবা ঙমখি। কুমজা ১৯৫০গী অদুৱাইদা ইন্দিয়ন পোলিসতা লৈবা ইলি-লিলি কম্পেনিনা কোলেষ্টেরোল হন্থহন্নবগীদমক ফাইটোষ্টেরোলগী প্রিপরেসনবু কর্ম্মসিএল ওইনা ইহান হান্না পুথোকখি। প্রিপরেসন অসি হৌরকপদা সিটোষ্টেরোলগী চাং অসি চাদা ৬৫ য়াওই অমসুং মতুং তারকপশিংদদি সিটোষ্টেরোলগী চাং অসি চাদা ৯০ ওই।

মখা তানা তোঙান-তোঙানবা চাংয়েং কয়ানা ফাইটোষ্টেরোল অমসুং মসিগী ওক্সাইদশিংগী টোক্সিসিটিগী মতাংদা থিজিনখি। উচি, থেবা অমসুং হুইশিংদা খেন্নবা চাংদা ফাইটোষ্টেরোল পীজদুনা য়েংখিবা চাংয়েংশিংদা সেরম, প্রোটিন, ব্লদ য়ুরিয়া নাইত্রোজেন, টিস্যু নৎত্রগা ওর্গান অমসুং হকচাংগী গ্রোথনচিংবশিংদা অহোংবা-অশোয়বা অমত্তা উবা ফংখিদে। ৱিষ্টার হায়না খঙনবা উচি মখল অসিদা রিপ্রদক্সনগা মরী লৈনবগী মতাংদা থিজিনবদসু উচি মখল অসিগী শুরোল অনী ফাওবদসু পীজরিবা ফাইটোষ্টেরোলশিং অদুনা রিপ্রদক্টিভ হোর্মোনশিংগী লেভেলদা অকায়বা পীবা থেংনখিদে। অতোপ্পা থিজিনবা অমদসু ফাইটোষ্টেরোল ইষ্টরশিংনা অমাংবদা য়াওবা বেক্টেরিএল এঞ্জাইম অমসুং অতেনবা মখলগী ফেট্টি এসিদশিংদা অহোংবা অমত্তা লৈতে হায়বা খঙবা ঙমখি।

হৌজিক্কী মতম অসিদা নোর্মেলনি হায়না লৈরম্বদগী খজিক্তং অহোংবা অমা লৈবদা মীপাইনরিবনি, পাখৎনরিবনি। অদুবু রিসর্সশিংনা লেপ্পা লৈতনা থিজিনবনা মীপাইবা কয়ামরুমদি ফগৎহনবা ঙমখ্রে।

লো দেন্সিটি লিপোপ্রোটিন অশন্বীদা এল দি এল অসি ফত্তবা কোলেষ্টেরোল হায়নসু খঙনৈ। কোলেষ্টেরোল অসিমক অদুমক্লা ফৎত্রবরা হায়বদুসু নত্তে। ঐখোয়গী হকচাংদা নর্ভশিং ঙাকথোক্লবা অমসুং হোর্মোন্স অমদি মশা-মউ ফবা সেলশিং শেম্বদা কোলেষ্টেরোলগী মথৌ তাই। কোলেষ্টেরোলশিং অসি ঐখোয়না চারিবা চিঞ্জাক্তগী ফংই, খরনা লিভরনা পুথোকই। ঈদা তুম্বা ঙম্বা ওইদবনা প্রোটিনশিংনা কোলেষ্টেরোলশিংবু পুদুনা চৎলি। অসিগুম্বা প্রোটিনশিংবুনি লিপোপ্রোটিন হায়রিবসি।

কেন্সর অমসুং মীৎকী লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপদা এন্টিওক্সিদেন্ট অমা ওইনা মথৌ তৌরিবা চিঞ্জাক্তগী ফংলিবা কেরোটিনোইদ হায়না খঙনবা পিগমেন্ট অসি ফেট-সোল্যুবল ওই অমসুং মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ফত্তবা কোলেষ্টেরোলনি হায়রিবা লো দেন্সিটি লিপোপ্রোটিনশিংগা লোয়ননা হকচাংদা সর্ক্যুলেট তৌই। লো দেন্সিটি লিপোপ্রোটিননা হকচাংদা কা হেন্না ৱাংলবদি হার্ট এটেক অমসুং ষ্ট্রোককী লায়না ওইরকহল্লিবা ফত্তবা কোলেষ্টেরোল অসি মনা-মশিং চাবদগী ফংবা ফাইটোষ্টেরোল অসিনা নেমথহনবা ঙম্মী। অদুবু লো দেন্সিটি লিপোপ্রোটিন নেমথখিবনা মসিগা পূন্না সর্ক্যুলেট তৌমিন্নরিবা কেরোটিনোইদ পিগমেন্টবুসু নেমথখিনি হায়বগী মীপাইবা অসিনি।

য়ু এস এগী বাইওফোর্টিস ক্লিনিকেল রিসর্সকী Dr. Maki অমসুং মহাক্কী কাঙবু অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্নদা লৈবা বেকর মেদিকেল রিসর্স ইন্সটিট্যুটকী Dr. P. Nestel গী কাঙবুশিংনা থিজিনবদা ফাইটোষ্টেরোল অমসুং ষ্টানোল মার্গারিনশিংনা প্লাজমাগী লিপিদশিং অসি হন্থহনবগা লোয়ননা কেরোটিনোইদশিং অমসুং ফেট সোল্যুবল ভিটামিনশিং হায়বদি ভিটামিন এ, দি, ঈ অমসুং কেগী লেভেলশিংদা অকায়বা পীদে হায়বা খঙবা ঙমখি।

কনাদাগী ন্যুত্রিসন রিসর্স দিভিজনগী Dr. Ratnayake অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা ফাইটোষ্টেরোলনা পুরকপা অহোংবশিংগী মতাংদা থিজিনখি। কাঙবু অসিনা এস ঐচ আর এস পি হায়বদি - ষ্ট্রোক প্রোন স্পোন্টেনিয়সলি হায়পরটেন্সিভ ওইবা উচিশিংদা ফাইটোষ্টেরোল পীজদুনা চাংয়েং তৌবদা কোলেষ্টেরোলগী চাং হন্থহনবা ঙল্লিবা ফাইটোষ্টেরোল অসি রেদ ব্লদ সেলগী মওং মতৌ হোংহন্দুনা উচিশিংগী পুন্সি তেলহনখি। হায়রিবা উচিশিং অসিদা ষ্টেরোলশিং অসি হকচাংদা চূপশিনবা হেনমনখিবা অদুগা অমাংবশিংদনা ষ্টেরোলশিং য়াওরকপা ৱাৎপনা মরম ওইগনি হায়না ফোঙদোক্লি। রিসর্স ইন্সটিট্যুট অসিমক্তগী Scoggan অমসুং মহাক্কী কাঙবুনসু থিজিনবদা ফাইটোষ্টেরোল চূপশিনবগী চাং ৱাংলিবসি ABCG5 হায়না খঙনবা জিন অসিদা অশোয়বা য়াওবদগীনি হায়বা উৎখি। হায়রিবা জিন অসিনা মীওইবদা ATP binding cassette sub-family G member 5 হায়না খঙনবা প্রোটিন অসিবু কোদ তৌই। প্রোটিন অসিনা ইন্টেষ্টিনেল এবজোর্পসন হায়বদি থিবোং থিরিলদা ষ্টেরোল চূপশিনবনা অমদি লিভরদগী থাদোরক্লিবা বাইলগী বাইএলরি এক্সক্রিসনদা ষ্টেরোলশিং থাদোরকপগী মথৌ তৌই। জিন অসিদা ম্যুটেসন থোকপনা মরম ওইদুনা sitosterolemia লায়না নাবা মীওইশিংগী হকচাংদা ষ্টেরোল কা হেন্না ৱাংবা অমসুং ঈগী ঈরমশিংদা ফেটশিং পৈশিনহল্লি।

থিজিনবশিং অসিনা তাক্লি মদুদি ন্যুত্রিজিনোমিক্স হায়বদি চারিবা চিঞ্জাকশিংগা জিনশিংগা লৈনরিবা অনীগী মরীশিংগী মতাংদা নৈনবা অসিদা হেন্না মায় ওনশিন্দুনা ফাইটোষ্টেরোলগুম্না মনা-মশিং অমদি অতোপ্পা চিঞ্জাক কয়াদগী ফংবা কান্নরবা কম্পাউন্দ কয়াশিং অসিনা করম্বা ফীভমদা হকচাংদা কান্নবা নৎত্রগা অমাঙ-অতা ওইহল্লকপা য়াবগে হায়বশিং থিদোকপা তঙাইফদে। ●

## ষ্টৈটকী পাউ

## য়েলহৌমী নত্তনা য়েলহৌমী শাবশিংদগী ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনগদবনি : সোমোরেন্দ্রো




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিংনা মশিং হেনগৎলক্তুনা হান্না লৈজরম্লিবা য়েলহৌমীশিং মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবনা মরম ওইরগা য়েলহৌমী নত্তনা য়েলহৌমী শাবা মীওইশিংদগী ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই অমদি মখোয়শিং অদু মশক খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি হায়না ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক) কী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

ইপাকনা শিন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল দে ওফ ৱার্ল্ড ইন্দিজিনস পিপলসকী থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, য়েলহৌমী নত্তবশিংনা য়েলহৌমী শাদুনা হান্নদগী হৌনা লমদম অসিদা লৈজরক্লবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা খৎনহন্নবা শিল্লি। মসিদগী ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনগদবনি। ঙসি মণিপুরদা অতোপ্পা লৈবাক্তগী শক মান্নবা মীওই কয়া চঙশিল্লক্লি। মখোয়শিং অদু হেক উবদা মশক খঙদোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা মীতোপশিং খন্দোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মণিপুরদা য়েলহৌমীশিংনা থেংরিবা খুদোংচাদবা অসিমক মালেমগী ওইনা লৈরিবা অপীকপা ফুরুপশিংদসু থোক্লি। মসি থোক্তনবা ঐখোয় পুন্না হোৎমন্নিবগী মথৌ তাই হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইপাককী এদভাইজর সাপমচা জাদুমনি, নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল এৱার্দি হৈক্রুজম ইবোতোম্বী, পান্দমগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নমচা দিল্লিপকুমার, পি পি সী এমগী কনভিনর মাইবম বিশেশ্বর, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, ইপসাগী প্রসিদেন্ট তৌরাংবম বিরজিৎ অমদি অকোমলূপ কংলৈপাককী প্রসিদেন্ট সঞ্জিৎ সোরাইসমনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## ৱার্ল্ড ইন্দিজিনস পিপলস দে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): সেন্টর ফোর রিসর্চ এন্দ এদভোকেসি মণিপুর রিচ এম অমসুং লৈবি ভিলেজ ওথোরিটি অনীনা খুৎশম্নদুনা ঙসি লৈবি ভিলেজদা ৱার্ল্ড ইন্দিজিনস পিপলস দে পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিজিনস পিপলস রাইটস, এনভাইরোনমেন্ট, হেল্থ অমসুং পোক্সো এক্টকী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এনভাইরোনমেন্টলিষ্ট থেমসন জাজো, গুনরৈ কামৈ, সেন্টর ফোর রিসর্চ এন্দ এদভোকেসি মণিপুরগী সেক্রেটরি জিতেন য়ুম্নামনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা মরুওইবা মীওইশিং অসিনা য়েলহৌমীশিংগী ওইবা রাইট অমদি মখোয়গী শক্তম মতৌ করম্না ঙাক্কদগে অমদি অতোপ্পা ফুরুপশিংনা লাকশিল্লক্তনবা করি করম্বা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা মশাগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোক্লখি হায়না সী আর এগী চেরোল অমনা হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No. 416/SDC/M Dated:- 09/08/2022**

Moirangthem Thoiba Singh S/o M. Amarjit Singh of Ngangkhalawai Mayai Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Moirangthem Lukhoi Singh S/o (L) Tomcha Singh of Ngangkhalawai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 9th August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫১-ঙাঙ্খালৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ৬১৫ অনৌবা সি:এস:দাগকী নং ২১৫৭ এরিয়া ০.৩২ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারী অসিগী মীংদা (নামা) ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপত্তি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/3640/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR (K)**

**Ref :- Mut. Case No. 208/2022.**

Irom Ibeni Devi W/o (L) Nabadip Singh of Kangmong Langoljam Mamang Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Irom Nabadip Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Kangmong Langoljam. -OP Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

The 9th August, 2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার Nabadip Singh, পীং মৃ: Ibomcha Singh সাং Kangmong Langoljam গী মিংদা লৈবা konthoujam তহশিলগী খুল নং 98-Maisnam Kangmong গী অনৌবা পাট্টা নং 786, দাগ নং 2182 অমসুং এরিয়ানা 0.36 চাওবা Anganphou লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসৈনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ 7 নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থগরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Konthoujam

HL-P/3639/10

## ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

Manipur Co-operative Societies Act 1976 কী মখাদা "Thoungambi Women Multipurpose Co-operative Society Ltd" হায়না Heingang Block, P.S. Heingang, P.O. Mantripukhri, PIN - 795002, Imphal East, Manipur দা রেজিষ্ট্র তৌজগদৌরি। কনাগুম্বনা মসিদা য়েৎনিংবা লৈরবসু নুমিৎ ১০গী মনুংদা য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

**Sd/- Waribam Joymati Devi**
Thoungambi Women Multipurpose Co-operative Society Ltd.,
Heingang

HL-P/3637/10

ꯐꯪꯕꯤꯔꯒꯅꯤ

**ফংবীরগনি ফংবীরগনি**

খূৎনা শাবা Mechanized Kilan দা ইতপা First Class Bricks ফংবীগনি।

Sd/- **N.N.M. Brick Field, Meitram Awang**
***Please Contact :*** **8794143991**
**6909186808**
**9863233401**

HL-P/3643/10,11,12

## ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Kakching, the 9th August, 2022

No. KMC/3-1/ADM(U)/22 : It is given for information of all concerned that the admission to B.A./B.Sc./B. Com 3rd and 5th Semesters for the session 2022-23 of Kha Manipur College, Kakching will be started as per detailed below :-

i) from 11-08-2022 to 20-08-2022 (without fine)
ii) from 21-08-2022 to 22-08-2022 (with fine)
iii) payment of admission fees will be online at the given link on the college website (www.khamanipurcollege.edu.in).
iv) details can be had from the college office during the office hours and on the above college website.

**Sd/- Principal,**
Kha Manipur College, Kakching

HL-P/3383/10, 11

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, KAKCHING DISTRICT**

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE FOR OBJECTION**

**Kakching, the 9th August, 2022**

**No. Pro/SR/Kak/2022-23:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from S. Lenin Singh, Secretary of the **"Eramdam Chaokhathanba Ereichasingi Lup"** Wabagai Thingel Leikai, Turel Kha Thangba, Kakching District, Manipur on 9/8/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules 2004 within the area of operation of **Wabagai Thingel Leikai Turel Kha Thangba,** Kakching District, Manipur.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or Secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed **"Eramdam Chaokhathanba Ereichasingi Lup"** within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed **"Eramdam Chaokhathanba Ereichasingi Lup"** Kakching Super Market, Kakching District may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act 1989 and Rule 6 of MSR Rules 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **K. Dilipkumar Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Kakching District.

HL-P/3381/10,11

## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7730/9/7-10/8

## ꯑꯋꯥꯕꯥ / অৱাবা ফোঙদোকচবা



মমাং থা জুলাইগী তাং ৩০, ২০২২ ইং, থাংজদা Department of Horti. & Soil Conservation দা এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনীয়র ওইবিরম্বা লাইশ্রম রতনকুমার সিংহ ঐখোয় খ্বাইনা Sir Ratan হায়না নুংশিনা কৌজবা ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকাইদা লৈবনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা Kangleipak Farmer Producer Company Ltd. না তাং ৭/৮/২০২২ দা BODs গী মীফম ফমদুনা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লৈদুনা Sir Ratan গী থৱায়না ঈশ্বরগী খূয়াদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা ঈশ্বরদা থৌনীজখি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা থম্মোয় শোক্লা শরুক য়াজরি।

**Sd/- Shagolsem Kanta Singh**
Chairman,
Kangleipak Farmer Producer Company Ltd.

HL-P/3380/10

/অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, চেখায়বদু ওইশিল্লু য়াদবা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা, অমাংথোঙ মনুংদসু তৎপা, শা-ঙা তোয়না চারগনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, অমাংথোঙ মনুংদসু তৎপা, খোঙ হাল্লকপা মতমদা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা তৌরগা য়াম্না অৱাবা ওইবা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা অদু ওইশিল্লু য়াদবা, খোঙ অকনবা হাল্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী তৎফম অমদি অমাংথোঙ মপানগী চেখায়ফম অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ অকনবা হামদ্রগদি করিসু তৌদবা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু পুংখায়মুক অমাংথোঙদা চিক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদা মচা অমা পোমথোরকপা, শা-ঙা তোয়না চারগনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাদ্রগনা ঈ তাবা অদু লেপখিবা, খোঙ তোয়না হাম্বা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হাম্নিংদবা, খোঙ হাম্নিংলকপা মতমদা খাঙবা ঙমদবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙগী অকোয়বদু হাক্কৎচরকপা, খোৎলুরগনা অমাংথোঙগী অকোয়বদু পোমথোরকপা, খোঙয়া শাবা, ফন্বী শোনবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **L. Ningol Leima Devi**
Andro Mamang Leikai

HL-B/7731/10